# ওফিস পায়রকপা অহানবগী নুমিৎ ১০০ নি য়ু এসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপনি : ত্রম্প



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৯ :
ওফিস পায়বা নুমিৎ ১০০ নি মপুং ফারকপা নোংমা মাঙওইননা ইরাই নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়খ্রে মদুদি মহাক্কী লৈঙাক্কী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মতম অসি য়ু এসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপনি। শুপ্ন গী চয়োল ১৪ গী মনুংদা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ৱাশিংটনদা শিংথানিঙাই ওইনা অহোংবা কয়া পুরকখ্রে হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

ওফিস পায়রকপা অহানবগী নুমিৎ ১০০ নি মপুং ফারকপগী সেলেব্রেট তৌনবগীদমক্তা ত্রম্পনা পেনসল-ভান্যাদা পাইশিন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা রেলি অমদা ৱা ঙাঙগনি।

'ঐহাক্না তশেংনা থাজে মদুদি ঐহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মতম অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াই' হায়না ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা লৈবাক মীয়ামদা চয়োলগী ওইনা রেদিও অমসুং ৱেবকী খুত্থাংদা পীবা স্পীচ অমদা হায়খ্রে। ত্রম্প জানুৱারী ২০ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৪৫শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখি অমসুং থাংজ নুমিৎতা ওফিস পায়রকপা নুমিৎ ১০০ নি মপুং ফাগনি।

চয়োলগী ওইনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদুদা ত্রম্পনা হায়খি মদুদি, তেল্লবা মতমগী মনুংদা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অমেরিকাদা থবক কয়া অমুক হন্না পুরকপদা মায় পাকখি। 'খ্বাইদগী মরু ওইবদি ঐখোয়না লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক্তা মাঙলুরবা থবক ময়াম অমুক হন্না পুরকপা ঙম্বসিনি। মসি নহাক্না মিসিগনগী মীয়ামদা হংউ; নহাক্না ওহাইওগী মীয়ামদা হংউ; নহাক্না পেনসলভান্যাগী মীয়ামদসু হংবা য়াই। হৌজিক করি ওইরক্লবগে হায়বদু য়েংউ। লৈবাক অসিদা কার কম্পেনিশিংনা অমুক হন্না নিংথিনা থবক তৌবা হৌনরক্লিবসি য়েংউ। মখোয়না লৈবাকসি থাদোক্তুনা চৎপা পামদে। মখোয়না মফমসিদা (অমেরিকাদা) লৈবা পামই। মখোয়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থবক অমা পায়খৎলকপা পামখিবনি' হায়না চহী ৭০শুরবা ত্রম্পনা হায়খি।

য়ু এসনা চঙখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি হায়না চেৎনা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, অমেরিকান কম্পেনিশিং হান্নদগী হেন্না ফীভম ফন্না থবক হৌরে। মখোয়না ঙক্নি ংঙাই ওইবা মওংদা শেন্দোং কয়া লাউথোকখ্রে; পুম্নমকসি তেল্লবা মতমসিদা লৌখৎলকখিবা খোঙথাং খরদগীনি। 'মসিনা অহৌবনি। ঐখোয়না মিদ্দল ক্লাস অমসুং বিজনেসকীদমক্তা টেক্স চাউনা হন্থহল্লগনি। খোঙথাং অসিনা অচৌবা ফল লাকহল্লগনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মায় পাকপা ঙমখিবা থবক খরা পল্লদুনা ত্রম্পনা হায়খি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী থবক্তি অমেরিকাগী শিন্নীশিংগীদমক্তা থেংনবা, রুল ওফ লো লৈহনবা অমসুং অমেরিকাগী মীয়ামদা পৱার হঞ্জিনহনবনি।

'ঐহাক্না ওফিস পায়বা হৌবদগী ইকনমিক কনফিদেন্স ৱাংখৎলে - চহী মাপনগী মনুংদা হৌজিক্না খ্বাইদগী ৱাংলে হায়বা য়াই। মেন্যুফেকচররশিংগী থাজবসু রেকোর্দ ওইনা ৱাংলে। চহী ৪০ রোমগী মনুংদা অপীকপা বিজনেসকী কনফিদেন্সসু খ্বাইদগী ৱাংবা উরে' হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

# মেগ্নিট্যুদ ৭.২ গী য়ুহা হাবনা ফিলিপিন্সপু নিকহনখ্রে

মনিলা, এপ্রিল ২৯:
ফিলিপিন্সকী মিন্দানাও ঈথৎকী কোষ্টকী মনাক্তা থাংজ নুমিৎতা ৭.২ য়ৌনা য়ুহা হাখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী সাইজমোলোজি এজেন্সিনা মীয়ামদা কোষ্টেল এরিয়াশিংদগী থাপনা লৈনবা পাউতাক পীখ্রে। তৌইগুম্বসুং অমাঙ-অতা চাউনা থোকহনা য়াবগী ফীভমদি লৈখিদে হায়রি।

খুদক্কী ওইনা অমাঙ-অতাশিং অমসুং মীশি-মীনাশিং থোকপগী পাউদি লৈখিদে। তৌইগুম্বসুং ৱিটনেসশিংনা য়ুহা হাবদু য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি অমসুং লৈমায় অমসুং ৱালশিং কন্না নিকখি হায়না ফোঙদোকখি।

পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা হায়খি, অচৌবা ঈথক-ঈপোমশিং ইপিসেন্টরদগী কিলোমিটর ৩০০ (মাইল ১৯০) ফাওবা শন্দোক্তুনা ইন্দোনেসিয়া ফাওবা লাপ্না য়ৌবগী রিস্ক লৈখি।

ফিলিপিন্স ইন্সটিট্যুট ওফ ভোলকেনোলোজি এন্দ সাইজমোলোজি (ফিলভোল্কস) না হায়খি, য়ুহাহাবা অদু ৭.২ ফাওবা য়ৌখি হায়বা খঙলবা মতুংদা সুনামিগী ৱার্নিং অমত্তা ইস্যু তৌখিদে। ফিলিপিন্স অসি জিওলোজিগী থৌদৌদা এক্টিভ ওইবা পেসিফিক রিং ওফ ফায়রদা লৈ অমসুং মরু ওইনা খা থংবা শরুক্তা য়াম্না তোয়না য়ুহা হায়।

য়ুহা হাবা অদু ঈথৎ ময়াম্না পুল্লগা শেন্বা লৈবাক অসিগী খা থংবদা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা ঈথৎ মিন্দানাওগী খা ইথং-থংবা শরুক ওইরিবা সারঙ্গানি প্রোভিন্সকী খা-নোংচুপতা কিলোমিটর ৫৭ লোম লাপ্পা মফমদা থোকখিবনি।

# নৱাজ শরিফকী স্পেসল এসিষ্টেন্ট মফম লৌথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৯: পানামা লিক কেসকী ভর্দিক্টনা মরম ওইদুনা মহাক্কী তুংগী পোলিটিকেল ফীভম করি লাক্কদবা হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরিবা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী খ্বাইদগী থাজবা তেংবাঙলোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরবা টারিক ফাটেমিবু মহাক্কী ফোরন এফ্যেসকী স্পেসল এসিষ্টেন্টকী ফমদগী লৌথোকখ্রে।

'অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীট অমগী মনুংদা পাকিস্তানগী সিভিল্যান অমসুং মিলিটরি লীদরশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা কয়াগী মতাংদা মহাক্না প্রেসতা পাউ লিক ওইহনখি হায়বসি প্রোম অমা চথবদা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা শরিফনা ফাটোমিবু মফম লৌথোকখিবনি।

ইনক্কারি পেনেলনা মহাকপু মফম পীথোক্লবা পীরকখিবা রিক্মেন্দদেসন প্রাইম মিনিষ্টর শারফিনা এপ্রুভ তৌখিবনি।

## 'য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থবক তৌবগী মতম ওইরে'

# চাইনা, রসিয়ানা মিলিটরি ফোর্স শিজিন্নদনবা তকশিনখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২৯ :
য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না ইরাই নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল দিভলপমেন্ট কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদ্রবদি শাথিবা ফল কয়া লাক্কনি হায়না চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা, চাইনা অমসুং রসিয়ানা ৱাশিংটনদা মিলিটরি ফোর্স শিজিন্নগনি হায়বগী অকিবা পীদনবা তকশিনখ্রে।

ৱাশিংটননা হন্দক্তা বৈজিংবু মসিগী মীচং পিয়োংয়াংবু লাকশিন্নবা হোৎনবগীদমক্তা থাগৎখি তৌইগুম্বসুং চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা নোর্থ কোরিয়াগী প্রোব্লেম অসি চাইনা মথন্তনা সোল্ভ তৌবা ঙমগদবা নত্তে হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে।

'পেনিন্সুলা অদুগী ন্যুক্লিয়র ইস্যু সোল্ভ তৌবা হায়বসি চাইনাগী মখুৎতদা লৈবা নত্তে' হায়না ৱাংনা মেম্বর ১৫ গী কাউন্সিল অদুদা হায়খি। বৈজিংনা পিয়োংয়াংদা ঈথিল পীবা ৱাৎলি হায়বা হ্বাইট হাউসকী থাজবগী মায়োক্তা ৱাংনা কাউন্সিলদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টিলরসন্না চেয়র লৌখিবা কাউন্সিলগী মিনিষ্টরিয়েল মীফম অদুনা নোর্থ কোরিয়াবু করম্না দিল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা মতম শাংনা খেন্নবা মোতশিং লৈরকখিবদু অমুক হন্না এক্সপোজ তৌখি। চাইনানা হান্না ৱারী শানরগা এক্সননা কোনবা পামই। অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অসিগুম্বা ৱারী শানবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা নোর্থ কোরিয়াবু মসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোকপগী খোঙথাং পায়খৎহনবা পামই।

'কনানা হান্না খোঙ থাংগনি হায়বগী দিবেট তোক্লবগী তঙাই ফদবা লৈ লোয়ননা কনানা চুমই অমসুং কনানা লাল্লি হায়না য়েংনবা তোক্কদবনি। হৌজিক্তি ৱারী শানবা হৌনবা লুনা খন্নবগী মতমনি' হায়না ৱাং য়িনা কাউন্সিলদা ফোঙদোকখি।

মদুগী পাউখুম ওইনা টিলরসন্না হায়খি, 'ঐখোয়না নোর্থ কোরিয়াগা অমুক হন্না ৱারী শাননবা হোৎনররোই, মখোয়না মমাঙগী রিজোল্যুসন কয়া খোঙ্গাওনখিবদুবু ঈকায় খুম্নদুনা ঐখোয়না মখোয়দা রিৱার্দ পীররোই, ৱারী শানবদা ফজদবা থৌওং উৎখিবদুসু ঐখোয়না রিৱার্দপীররোই।' মীফম অদুদা নোর্থ কোরিয়াদি য়াওখিদে।

# মালেমগী প্রেসর থওইদদুনা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রে



সিওল, এপ্রিল ২৯:
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনানা পীবা চেকশিন-ৱা কয়াবু থওইদদুনা নোর্থ কোরিয়ানা থাংজ নুমিৎতা বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখ্রে। মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা মীচং চাইনানা চহী কয়া লিশাং শিৎনা লৈবাক অসিগী খুৎলায় প্রোগ্রামশিং লাকশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পিয়োংয়াংগী অৱাংদা লৈবা এরিয়া অমদগী পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদু ফেল ওইখিবগী মওং উই হায়না য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মদু মার্চ থাদগী পাবদা নোর্থ কোরিয়াগী মরিরকশুবা থংন-থংননা মায় পাকখিদবা মিসাইল চাংয়েংনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিং লাকশিনবা ঙমহৌদবনা মাঙ-তাকপগী ফীভম কয়া লাকহনগনি হায়না চেকশিন-ৱারোল হায়খিবগা ঈরোয়ননা চাংয়েং অদু পাঙথোরকখিবনি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা য়ু এসকী ওফিসলশিংদুন হায়খি, মিসাইল অদু কে এন -১৭ হায়না খঙনবা মিদিয়ম রেঞ্জ খুৎলায় অমা ওইরমগনি হায়না লৌই অমসুং মদু পায়খৎখিবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা কায়খিবা মাল্লি।

চাংয়েং অদুগী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা হায়খ্রে মদুদি নোর্থনা মৈ শান্নদুনা লৈরে; লৈবাক অসিগী মথক্তা হেন্না কনবা য়ু এনগী অথিংবা কয়া লাক্লগনি।

সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা হায়খি, পুকচাং রিজনদগী অৱাং নোংপোক মায়কৈ পাংনা কাপখিবা মিসাইল অদু মিনিট খরগী মনুংদা কায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা কিলোমিটর ৭১ ফাওবা ৱাংনা পায়খৎলমখি। লোঞ্চ অদু তশেংনা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়রদুনা সাউথকী মিলিটরিনা নোর্থতা তুংদা লাক্কদবা ফীভমগী ৱাখল ইতৌ তৌদনা থবক তৌদনবা চেকশিন-ৱা হায়খি।

শগোলশেল নুমিৎতা রোইটর্জগী ইন্টরভিয়ু অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়া অসি মহাক্কী খ্বাইদগী চাউবা গ্লোবেল চেল্লেঞ্জনি অমসুং মিসাইল লোঞ্চ অদু চাইনাবু ঈকায়বা পীবগী থৌওং অমনি।

# পাকিস্তানি টালিবান মিলিটেন্টশিংদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ২৯: য়ু এসকী দ্রোন ষ্ট্রাইকনি হায়না চিংনবা এটেক অমদা অফঘানিষ্টানগী বোর্দরগা নক্লবা নোর্থ ৱাজিরিষ্টাদনা পাকিস্তানি টালিবান মিলিটেন্ট কয়া শিখ্রে হায়না মিলিটেন্ট কম্মান্দর অমা অমসুং ইন্টলিজেন্স ছোর্স অমনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কনফার্ম তৌবা তারবদি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী এয়র ষ্ট্রাইক অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা জান্যুৱারীদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা লৈবাক অদুগী মনুংদা চথুবা অনীশুবা দ্রোন এটেক ওইরগনি। তৌইগুম্বসুং লমদম অদুগী পাকিস্তানি ওফিসল অমনা এটেক চথখিবা মফমগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মদু অফঘানিষ্টানগী মনুং চন্না চথখিবনি হায়খ্রে।

পাকিস্তানি টালিবানগা মরী লৈনবা গ্রুপ অমা ওইরিবা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান টালিবানগী স্পোক্সমেন অব্দুলাহ ৱাজিরিষ্টানিনা হায়খি, ষ্ট্রাইক অদুদা মীচম শিন্নী অহুম অমসুং টটিপি হায়নসু খঙনবা পাকিস্তানি টালিবানগী মিলিটেন্ট ৭ শিখ্রে।

লোকেল ত্রাইবেল লীদর অমা ওইরিবা মালিক ৱাহীদুলাহনা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, মহাক্না মিসাইল অনীনা চীংদা লৈবা য়ুম অমদা ষ্ট্রাইক তৌবদা মৈ চাকপগী শক্তম উখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনবা হায়জবদা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা খুদক্কী ওইনা রেস্পোন্দ তৌরকখিদে হায়রি।

পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্সকী ওফিসল অমনা হায়খি, মখোয়না ষ্ট্রাইক অদু য়ু এসকী দ্রোন এটেক অমনি হায়না থাজে। অতৈ পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্স অমসুং মিলিটরি ছোর্সশিং লোয়ননা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, দ্রোন এটেক অদু অফঘানিষ্টানগী বোর্দরগা নক্লবা পাকিস্তানগী মনুং চনবা এরিয়াদা চথখিবনি।

# ম্যান্মারদা বস অমা লোকচপতা তাশিনবদা মীওই ১৯ শিখ্রে, ২১ শোকখ্রে



য়াঙ্গোন, এপ্রিল ২৯ :
নোংপোকথংবা ম্যান্মারদা বস অমা অরুবা লোকচপতা তাশিনবদগী মদুদা তোংবা মীওই ১৯ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২১ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

বস অদু ইরাই নুমিৎতা সেন্ট্রেল বাগো প্রোভিন্সতগী পেসেঞ্জর ৪০ রোম পুরকখিবনি অমসুং থাই বোর্দরদা লৈবা টাউন ময়াংৱাদীগী মনাক্তা হায়রে অমদগী লোকচপ অমদা তাখিবনি।

'মীওস ১৯ শিখ্রে অমসুং মীওই ২১ শোকখ্রে হায়না কারেন ষ্টেটতা পুলিস চীফ কিয়িলিননা হায়খি।

'বস অদু অখুবা অমসুং অরুবা লোকচপ অমদা তাশিনখিবনি। মদু ব্রেক ফেল ওইদুনা দ্রাইভরনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী থোকখিবনি হায়না পুলিসনা থাজে' হায়না মহাক্না হায়খি।

পুলিস অমসুং লোকেল এইদ গ্রুপশিংনা অশোকপশিংদু হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবগা লোয়ননা শিরিবা মীওইশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা শিল-লাংলি হায়ন মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০১১ গী অঙনবা শরুক ফাওবদা চহী ৫০ রোম চূপ্পা লৈঙাকখিবা মিলিটরি জন্টানা লিশাং শিৎনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শেল থাদবগী চাং য়াম্না ৱাৎখিবদগী ত্রান্সপোর্ট নেটৱার্ককী ফীভম ফৎত্রবা শেল-থুমগী ফীভম শোকচিনখ্রবা ম্যান্মারদা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোক্লি।

# সিরিয়া অমসুং টর্কিগী বোর্দর পরিংদা য়ু এস মিলিটরি ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌখ্রে



বৈরুট, এপ্রিল ২৯ :
টর্কিনা এয়রষ্ট্রাইক চথবদা য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিশ ফাইটর ২০ শিখিবা মতুং নুমিৎ খরনি অসিদা য়ু এসকী আরমর্দ ভেহিকলশিং টর্কিগা লোন্নবা ঈরাং লৈবা বোর্দর পরিংদা লৈবা নোরদর্ন সিরিয়াগী মফমশিংদা দিপ্লোই তৌবা হৌখ্রে হায়না সিরিয়ন ৱার মোনিটর অমা অমসুং কর্দিশ এক্টিভিষ্টশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন এক্টিভিষ্টশিংনা ওনলাইনদা থাগৎপা ফুটেজনা টর্কিশ বোর্দরদগী মিটর চা খরা থাপতোপ্না লৈবা দারবাসিয়াহ ভিলেজগী রুরেল লম্বী অমদা য়ু এসকী আরমর্দ ভেহিকলশিংগী কনভোই অমা চৎপগী শক্তম উৎখি।

টর্কিনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ য়ুমশকৈশাদা এরিয়া অদুদা টর্কিশ অমসুং কর্দিশ ফোর্সশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। এয়রষ্ট্রাইক অদুদা কর্দিশ কম্মান্দগী হেদক্বার্টরস অমসু মাঙ-তাকখিবনি।

সিরিয়াদা লৈবা য়ু এসনা বেকিং পীবা পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটস নৎত্রগা ৱাই পি জিগী মেম্বর ১৮ সু শোকখিবা টর্কিশ এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুবু য়ু এস অমসুং রসিয়া অনীমক্না ক্রিটিসাইজ তৌখি। ৱাই পি জি অসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা শোক্লরিবা লালদা য়ু এসকী নকশিন্নবা মীচং অমনি তৌইগুম্বসুং টর্কিগী কর্দিশ রেবেলশিংগা নকশিন্নবনা মরম ওইদুনা মখোয়বু অঙ্করানা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লৌই।

সিরিয়াদা টর্কিশ অমসুং কর্দিশ ফোর্সশিংগী মরক্তা মখা তানা খুৎ থোক্লবনা য়ু এসনা লুচিংদুনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা চথরিবা লালদা চৈথেং পীরকপা য়াই হায়রি। কর্দিশ সিনিয়র ওফিসল ইলহম অহম্মদনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি মদুদি অমেরিকান ফোর্সশিংনা ঙরাং এরিয়া অদুগী বোর্দর পরিংদা রিকোনিজন্স ফ্লাইটশিংগা লোয়ননা পেট্রোলিং পাঙথোকখি। দিপ্লোইমেন্ট অদু অতেনবা মতমগী ওইগদবনি হায়বা লৈরবসু হেন্না পার্মিনেন্ট ওইরকপসু য়াই হায়না অহম্মদনা হায়খি।

এরিয়া অদুগী কর্দিশ এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা মুষ্টাফা বালিনা হায়খি, হৌজিক দিপ্লোইমেন্ট চথরি অমসুং মদু ইরাকি বোর্দরদগী দরবাসিয়াহ লাল্লগা ইষ্টর্ন সিরিয়াগী কর্দিশ লমগী শরুক্তা লৈবা এরিয়াশিং য়ৌই।

পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা নেভিগী কেপ্টেন জেফ দাভিসনা য়ু এসকী ক্রুপশিংনা টর্কিশ বোর্দর পরিংদা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) কী এলিমেন্টশিংগা লোয়ননা ওপরেট তৌরি হায়বা ৱাফম য়াখি।





## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment – Union Public Service Commission – Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies) – Last Date 19 May 2017

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies). Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 09/2017-CMS
**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Medical Services Examination, 2017
No of Vacancy : 710 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate should have passed the written and practical parts of the final M.B.B.S. Examination.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 32 years as on 01.08.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 3 years, For SC/ST Candidates 5 years & For PH Candidates 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 19.05.2017 till 06.00 PM thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/CMS_17_Notice_English.pdf
***Apply Online :*** *https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php*

### Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment – Sailor MR (Musician) Vacancies – Last Date 19 May 2017

**Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment 2017**
Indian Navy invites application from unmarried male candidates for Sailor vacancies for MR (Musician) – 02/2017 Batch. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Navy Job Details :**
Post Name : Sailor for MR (Musician) – 02/2017 Batch
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-
**Eligibility Criteria for Nausena Bharti Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates should have passed the 10th standard (Matriculation examination).
Nationality : Indian
Age Limit : Born between 01 Oct 1996 to 30 Sep 2000 (Both dates inclusive).
**Job Location : All India**
**Selection Process:** Selection will be based on Preliminary selection, PFT and Medical Examination.
**How to Apply Indian Navy Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents in an envelope should be super scribed with "The type of entry, choice of centre and percentage of marks in 10th" through ordinary post to the Commanding Officer, (for Director of Music) INS Kunjali, Colaba, Mumbai – 400 005 on or before 19.05.2017 & 29.05.2017 for remote areas.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 19.05.2017
Last Date for Submission of Application form (remote areas) : 29.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/davp10701-11-0008-1718_MR_Musician_02-2017_Batch.pdf
**Download Application form :** http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/Application_Form_MRMUS_02-2017_batch.pdf

### IOCL Recruitment – Indian Oil Corporation Limited – 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst Vacancy – Last Date 19 May 2017

**IOCL Recruitment 2017**
Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst for its Haldia Refinery. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : PH/01/2017
**IOCL Job Details :**
Post Name : Jr. Engineering Assistant
No of Vacancy : 66 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Jr. Materials Assistant
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Junior Quality Control Analyst
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Jr. Engineering Assistant/Jr. Materials Assistant : 3 years full time, regular/sandwich Diploma in relevant Engg. or B.Sc (Maths, Physics, Chemistry or Industrial Chemistry) from a recognized Institute/University with minimum of 50% marks in aggregate for General & OBC candidates and 45% in case of SC/ST candidates against reserved positions.
For Junior Quality Control Analyst : B.Sc. with Physics, Chemistry & Mathematics with minimum of 50% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 26 years
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years
**Job Location : West Bengal**
**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test and a Skill/Proficiency/Physical Test.
**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.150/- through Demand Draft in favour of Indian Oil Corporation Ltd., Payable at State Bank of India, Haldia Refinery Campus Branch. (Branch Code: 7090). SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.iocl.com from 29.04.2017 to 19.05.2017 & Send the printout along with all supporting documents & Demand Draft with name, address, post code to The Chief Human Resource Manager, Indian Oil Corporation Limited, Haldia Refinery, P.O.: Haldia Oil Refinery, Dist.: Purba Medinipur, West Bengal, Pin Code-721 606 on or before 29.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 29.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 29.05.2017
**Important Links :** Detail Advertisement Link : https://www.iocl.com/download/AdvertisementHaldiaRefPHR012017.PDF
***Apply Online :*** *https://www.iocl.com/PeopleCareers/job.aspx*